# সি এল কেনা ইরমদমগী নিঙোলশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরি অমেস্কোগী নিঙোল চাক্কৌবগী থৌরম লম্লাইদা পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২১ (এস এন এস )ঃ চহী অমগী মনুংদা অমুক্তং থোকপা নিঙোল চাক্কৌবা কুম্হৈগা ইরোইননা ইরমদম অসিগী নিঙোলশিংদা চনুরা লমচিংলেন কংলৈপাক (সি এল কে)না মাঙজৌননা য়াইফ পাউজেল পীবগা লোয়ননা মবুং মৌপ্পাশিংগা অৱা নুংঙাই ৱারী শানদুনা ইং তপ্পা নুংঙাই য়াইফবা ইরমদম অমা ওইহন্নবা তেঙবানবা মপুদা থৌনিজরি হায়রি।

অতোপ্পা অমনা ওল্ড মণিপুর ইথনিকেল সোসিও কলচরেল ওর্গনাইজেসন (অমেস্কো)না চহী খূদিংগী পাঙথোকপগুম কুমসি চহীগী ওইনা ঐখোয়গী ইচে ইচলশিং নীংশিংবা নুমিৎ নিঙোল চাক্কৌবগী থৌরম ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা লম্লাইদা লৈবা ব্রাইটর কেরিয়র একাদেমিগী কেম্পসতা পাঙ–থোক্লগনি হায়রি।

সি এল কেগী সেক্রেটরী জেনরেল ঐচ য়ুরেকা চনুনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, নিঙোল ওইবীশিংনা খৌরাংনা ঙাইরিবা নিঙোল চাক্কৌবা থৌরম পাঙথোকপগী মতাংদা ওক্টোবর ২৯ অমদি ৩০ হায়না য়েংনদুনা অনী থোকহনবগী থৌওং অসিদি থম্মোয় শেংনা নুংঙাইতবা ফাওই। ঐখোয় মশেলগী মরক্তা খঙবা হৈবা তান্নবা, কনবা তান্নবগী ফত্তবা চৎনবী অসি লেপ্পনা চত্থরক্লবদি লমদম অসিগী অপূনবগী শক্তম করম্না শাগৎমিন্নগনি হায়বসি মরী নৈনবা খূদিংমক্না খঙজিনবা চুমগনি। ঈ মশেল ফাওবা পুনশিন্নবা ঙমদ্রগা করম্না মীতোপকা থেংনবা ঙমগনি হায়বসিসু খন্থবিয়ু।

চহী খূদিংগী হিয়াঙ্গৈ নীনি পানবা নুমিত্তা চাক্কৌবগী থৌরম পাঙথোক্তুনা লাকপদু হন্দক অতম্না অনী থোকহন্নবা হোৎনরিবা অমদি মীয়াম্বু লান্না লমজিংলিবসি মখা তানা তৌবিগনু। ওক্টোবর ২৯ অসি হিয়াঙ্গৈগী নোংমা অমসুং নীনি অনীমক পাল্লে হায়রবসু অয়ুক্কী পুং ৬.১৩ সেকেন্দ ১ দগী নোংমা পানবগী মতম লোইবগা লোয়ননা হিয়াঙ্গৈগী নীনি পানবা হৌবনি। ওক্টোবর ২৯ অমদি ৩০গী অহিং পুং ৩.৪৭ সেকেন্দ ৪০ দা নীনি পানবগী মতম লোইবগা লোয়ননা হুম্নি পানবা হৌবনা মরম ওইদুনা অশেংবা নিঙোল চাক্কৌবগী থৌরম অসি ওক্টোবর ২৯ দা ওইফম থোকই। মরম অদুনা অহল লমন, ইবুং ইপ্পাশিংনা অশেংবা নিঙোল চাক্কৌবগী থৌরম ওক্টোবর ২৯ দা ওইনা পাঙথোকপিয়ু হায়না আপিল তৌরি।

অমরোমদা অনী থোকপগী চৎনবী অমা লমদম অসিদা লৈরিবসি গভর্ণমেন্টনসু মীৎয়েং চঙবিদুনা য়েংনরিবা নাকল অনীমক ফম্মিন্নহন্দুনা য়ানবা পুরক্নবা হোৎনবা মতম ওইরে। ঈ মশেলগী মরক্তা খাইবুং খাইবুং তাহন্দুনা অপূনবগী শক্তমদা কায়হল্লিবা অসি খঙবিদুনা গভর্ণমেন্টসু মীৎয়েং চঙবিয়ু হায়রি।

অতোপ্পা অমনা ওল মণিপুর ইথনিকেল সোসিও কলচরেল ওর্গনাইজেসন (অমেস্কো)গী পব্লিসিটি সেক্রেটরী দি মেরুং মরিংনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, নীংশিংবা থোক্লবা মতমদগী লমদম অসিদা খুন্দামিন্নদুনা লৈরক্লিবা কাঙলূপ ফুরুপ খূদিংমক পাগী পারোন নাইনা চৎখ্রবা খূথাং য়ৈনা তামখ্রবা ইমা–ইপা অমত্তগী ঈগী মচিন–মনাও ঙাক্তুনি। অনীশুবা মালেমগী লাঞ্জাওগী মতুংদা থোকখিবা রাজনিতিগী পুৱারী পোক্কদবা চহী লিশিং ২ গী মমাঙদা পাখঙবা ফন্থাল কাবদা চীংগী তমগী ফুরুপশিং য়াওখিবগী ৱারী কংলা লায়াৎতা সনাগী কালিনা য়েক্লি। ঐখোয় মচিন মনাও ওইবা ফুরুপ মশেল অমত্তনি হায়বা ৱাখল্লোন্দা অমগা অমগা পাউ ফাওদোক্লবগী থৌরম কয়া অমেস্কোনা পাঙথোক্তুনা লাকপগী মনুংদা ঐখোয়গী ইচে ইচলশিংবু নীংশিংবা নুমিৎ নিঙোল চাক্কৌবগী থৌরম অসিসু অমনি। লাক্লিবা ওক্টোবর ২৯ হিয়াঙ্গৈগী ২নি পানবা লৈবাকপোকপা নুমিৎ অসিদা পাঙথোক্লদৌরিবা থৌরম অসি অমেস্কোনসু মীয়ামগী ওইনা কুমজা ১৯৯৩ দগী হৌনা চহী খূদিংগী লেপ্পনা পাঙথোক্লি। কুমসি চহীগী ওইনসু লম্লাইদা লৈবা ব্রাইটর কেরিয়ার একাদেমিগী কেম্পসতা পাঙথোক্লনি।

কাঙলূপ ফুরুপ খূদিংমক্কী নিঙোল ওইবীশিংবু ঈগী লিক্লম য়েংদুনা ইচে ইচলমক্লি খন্না কৌগদৌরিবা লৈবাক্কী নিঙোল চাক্কৌবগী থৌরম অসিদা ফুরুপ খূদিংমক্কী ইচে–ইচল ইমা ইবেলশিংনা মশা মশাগী নাৎকী ওইবা ফিজোল শেত্তুনা লাকপিনবসু পাউজেল্লি।

# এদহোগ, কন্ট্রেক্ট, কেজুয়েল, মাষ্টররোল শিন্মীশিংগীসু তলব পীথোকপিয়ু

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২১ (এস এন এস )ঃ লমদম অসিগী খ্বাইদগী চাউবা কুম্হৈ অমা ওইরিবা নিঙোল চাক্কৌবগী মাঙওইননা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী রিগুলর ইমপ্লোয়িশিংগী তলব হয়েং লৈবাকপোকপা নুমিত্তগী কায়বা য়ারগনি হায়না ওর্দর থোকখিবা অদু অচুম্বা খোঙথাংনি হায়রদুনা এদহোগ, সবষ্টিট্যুট, ওফিসিয়েটিং, কন্ট্রেক্ট, কেজুয়েল অমদি মাষ্টররোল শিন্মীশিংগী তলবসু পীথোকপিয়ু হায়না ওল ইন্দিয়া ট্রেদ য়ুনিয়ন কংগ্রেস (এ আই টি য়ু সি) মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিনা গভর্ণমেন্ট অমসুং মরী নৈনবা দিপার্টমেন্টকী পূক্নিং চিংশিল্লি।

এ আই টি য়ু সি মণিপুরগী সেক্রেটরী এ সরতচন্দ্রনা ফোঙদো–রকখিবদি হায়রিবা শিন্মী কাঙলূপ অসিগী তলব কায়বা য়াবগী অথিংবা লৈরিবা অসি কোমথোকপিয়ু। মখোয়সু নিঙোল চাক্কৌবগী থৌরম অসি শরুক য়াগদৌরিবনি। মান্নবা মীৎয়েংদা য়েংদুনা হায়রিবা শিন্মী থৌমী কাঙলূপ অসিগী মান্নবা চাকথুম ফংহনবিয়ু লোয়ননা অহল ওইরবা পেন্সনরশিংগীসু অথিংবসি লৌথোকপিদুনা ফংফম থোকপা পেন্সনগী শেনফম চাক্কৌবা মমাঙদা পীথোকপিয়ু। তোঙান তোঙানবা লনাই ফার্ম, ইষ্টাব্লিসমেন্টশিংদা থবক তৌরিবশিংগীসু এদভান্স পে পীথোকপিয়ু হায়নসু মরী লৈনবশিংদা আপিল তৌরি।

# ইন্দিয়া অমসুং ম্যান্মারগী ফিল্ড লেভেল ওফিসার মিটিং পাঙথোকখ্রে



মোরে, ওক্টোবর ২১ (এস এন এস )ঃ ইন্দিয়া অমসুং ম্যান্মার লৈবাক অনীগী ৬৭ শুবা ফিল্ড লেভেল ওফিসার মিটিং ঙসি ম্যান্মারগী তমু টাউনদা লৈবা চেম্বর ওফ কম্মর্চকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

ফিল্ড লেভেল ওফিসার মিটিং অদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী নার্কোটিক কন্ট্রোল ব্যুরো (এন সি বি) গী এদিস্নেল দিরেক্টর রাকেস চন্দ্র সুক্লা, মণিপুর পুলিসকী নার্কোটিক এন্দ এফিয়ার্স ওফ বোর্দর (নাব) কী এস পি দব্লিউ বাসু, এস পি তেংনৌপল টিঐচ বিক্রমজিৎ সিংহ, এস পি কষ্টমস প্রিভেন্টিভ ফোর্স মোরে টি বিজান্দো, এস দি পি ও মোরে এল মেঘবর্ন, এদিস্নেল এস পি উখুল লুথর ঙাশানা শরুক য়াখি। অদুগা ম্যান্মারগী মায়কৈদগী ম্যান্মার আর্মিগী লেফটনেন্ট কর্নেল লিন লিন নাইং, দ্রগ ইনফোর্সমেন্ট দিপার্টমেন্টকী কম্মান্দর মেজর য়াও শিয়েন ৱিন কষ্টম দিপার্টমেন্টকী ইন–চার্জ অমদি ইমিগ্রেসন দিপার্টমেন্টকী দিপ্যুটি দিরেক্টর অউং ময়োনা শরুক য়াখি।

মিটিং অদুদা মরু ওইনা ইন্দিয়া অমসুং ম্যান্মার লৈবাক অনীগী মরক্তা দ্রগ লল্লোন ইতিক চত্থরিবসি থিংনবা খন্নখি। লো ইনফোর্সমেন্ট এজেন্সিশিংনা ইনফোর্মেসন অমসুং ইন্টিলিজেন্ট সিয়ারিং তৌবগী মতাংদসু কুপ্পা খন্নখি হায়রি।

নার্কোটিক্স কন্ট্রোল ব্যুরোগী এদিস্নেল দিরেক্টর রাকেসচন্দ্র সুক্লানা ফোঙদোকখিবদি ঙসিগী মিটিং অদুদা লোনা য়াদবা মওংদা লৈবাক অনীগী মরক্তা চত্থরিবা দ্রগকী লল্লোন ইতিক অসি থিংনবা য়ান–চেরোল অমা অয়াবা পীখি লোয়ননা মীয়াম অমদি সি এস ওশিংনা লো ইনফোর্সমেন্ট এজেন্সিশিংদা মতেং পাংবিয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# সি পি আইনা মফম ৪ দা খোঙজং চত্থখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২১ (এস এন এস )ঃ ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট অমসুং সিটিজেন্সিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা সি পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলনা ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট, বিষ্ণুপুর অমসুং ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফম ৪ দা মীয়ামগী খোঙজং চঙশিন্দুনা মীফম পাঙথোকখ্রে।

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী কুম্বি বজারদা লৈবা বীপ্লবী বিরা মেমোরিয়েল হোলদা ঙসি অয়ুক অখঙ অহৈ কয়ানা শরুক য়াদুনা চত্থখিবা খোঙজংদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা নমদুনা চৎনহন্নবা হোৎনরিবা এগ্রিমেন্ট অমসুং রুল অসিনা শোক্কদবা ৱাফম কয়া নৈনখি। মীফম অদুদা টিঐচ য়াইস্কুল, কেঐচ সুরচান্দ অমদি এল থোইরেলনচিংবা লুচিংবা কয়া য়াওনা পার্টি অমসুং মীয়াম্না চঙশিল্লকপা খোঙজংদা কুম্বি মীয়াম্না শরুক য়াগনি হায়না ৱারেপসু লৌখি।

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচন্না লৈবা লম্লাইদা লৈবা ইরাবত মেমোরিয়েল হোলদা ঙসি খোঙজং চত্থবগা লোয়ননা পার্টিগী ষ্টেট সেক্রেটরী এল সোতিনকুমার অমসুং সেক্রেটরিয়েৎ মেম্বর এ লালানা ৱা ঙাংখি। ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট অমদি সি এ বিলগী মায়োক্তা থা অসিগী ২৭ লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা মোটোর বাইক রেল্লি চৎনবসু ৱারেপ্লখি।

ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা হিয়াংলম অমসুং ৱাবগাইদসু মীয়ামগী খোঙজং লোয়ননা মীফম পাঙথোক্তুনা পার্টিগী নেস্নেল কাউন্সিল মেম্বর ডা. এম নরা অমদি এ সরতনা ৱা ঙাংখি হায়রি।

# মমল হেন্না লৌবা, পোৎয়ান তৌবা য়ারোই

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২১ (এস এন এস )ঃ নিঙোল চাক্কৌবা কুম্হৈগী খূদোংচাবা লৌরগা লল্লোন ইতিক তৌরিবা অমদি দুকান ফম্লিবশিংনা পোৎ–চৈগী মমল হেন্না লৌবা, পোৎয়ান তৌবা, মতম হেল্লবা পোৎ য়োনবা, কেস মেমো পীদবা অমদি শাশিন্নবা পোৎ–চৈ য়োনশিনবা য়ারোই হায়না হ্যুমেন রাইটস দিফেন্দর মণিপুর (ঐচ আর দি এম)না লাউথোরক্লি।

ঐচ আর দি এমগী চিয়ারমেন্না থাদোরকপা চেরোলনা হায়, করিগুম্বা অসিগুম্বা অরানবশিং অসি তৌরম্নবদি ঐচ আর দি এমগী কৈশাম্পাৎ জঙ্কসন্দা লৈবা ওফিস্তা পাউ পীবিয়ু নৎত্রগা মোবাইল নম্বর ৮৭৯৪৪৮৪৯৪৪ অমদি ৯৭৭৪০৯১৬৬৭ তা কন্টেক্ট তৌবিয়ু।

# ইন্দিয়াগী নীংতম ইহৌগী পুৱারীদা আই এন এ মোইরাংগী চেপ্তর য়াওহনগদবনি ঃ সি কে বোস

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২১ (এস এন এস )ঃ ইন্দিয়াগী নীংতম ইহৌগী পুৱারীদা তোমথিন ওইরিবা নেতাজিগী লিচিং মখাদা ইন্দিয়ান নেস্নেল আর্মি (আই এন এ)বু শৌগৎতুনা মণিপুরগী ফ্রিদম ফাইটরশিংনা কথোকখিবগী চেপ্তর তাঙ্কক অদু ইন্দিয়াগী নীংতম ইহৌগী পুৱারীদা য়াওহনগদবনি হায়না নেতাজি সুভাসচন্দ্র বোসকী মশু অমসুং সোসিয়েল এক্টিভিষ্ট চন্দ্রকুমার বোসনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা মোইরাংগী আই এন এ কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখিবা প্রোভিজনেল গভর্ণমেন্ট ওফ অজাদ হিন্দ শেমখিবগী ৭৬ শুবা চহীগী থৌরমদা শরুক য়াখিবা সি কে বোসনা মখা তনা হায়, এন সি ই আর টি অমসুং নেস্নেল বুক ট্রষ্ট ইন্দিয়াগুম্বা ইন্সটিট্যুসনশিংদা মোইরাংগী আই এন এগী চেপ্তর অসি স্কুল কলেজগী টেক্সবুককী করিক্যুলমদা য়াওহন্নবা সেন্টর অমসুং ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা হায়গদবনি।

নেতাজি সুভাসচন্দ্র বোসনা শেংলবা মফম মোইরাংদগী দিল্লি তল্লা চঙশিল্লু হায়না ইনোৎ পীখিবা অদুমক লৈবাক অসিগী পেট্রিওটিজমগী অফবা লার্নিং পোইন্ট অমনি হায়খি। মহাত্মা গান্ধীগী নন–ভাইওলেন্স মুভমেন্ট অমসুং নেতাজিনা লুচিংবা আর্ম রেবিলেন অনীমক্কী ফোর্সনা ১৯৪৭ তা বৃটিশনা ইন্দিয়া থাদোক্তুনা লৈবাক অসি নীংতম্বা ফংখিবনি হায়বগী ৱাফম থম্লদুনা আই এন এ অমসুং ফ্রিদম ফাইটরশিংনা ইন্দিয়ান অমা ওইনা নীংতম্বা ফংনবগীদমক হোৎনখিবা অদুমক্লা ইন্দিয়ান নেস্নেলিজমগী অশেংবা য়ুম্ফম থোনখিবনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

বিদ্য ভারতি, শিক্ষ্য বিকাস সমিটি মণিপুরনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ৱার্ক্স মিনিষ্টর টিঐচ বিশ্বাজিৎ, এদুকেসন মিনিষ্টর টিঐচ রাধেশ্যাম, পি সরতচন্দ্র এম এল এ অমদি বিদ্য ভারতিগী নোর্থ ইষ্ট ইন–চার্জ ডা. পাৱন তিৱারিসু শরুক য়াখি। তুংদা চন্দ্রকুমার বোসনা ষ্টেট গভর্ণর নজমা হেপতুল্লা অমদি চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন সিংহগসু উনখি হায়রি।

# কাদা হিয়াংথাং মমাঙ লৈকাই য়ুনিট হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২১ (এস এন এস )ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা হিয়াংথাংদা লৈবা হিয়াংথাং লাইরেম্বী বিশ্বারজন কমপ্লেক্সতা ঙসি নুংথিল পাঙথোকখিবা মীয়ামগী মীফম্না খন্ন–নৈনরবা মতুংদা কোলিয়েসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকাহোল (কাদা)গী হিয়াংথাং মমাঙ লৈকাই য়ুনিট হাংদোকখ্রে লোয়ননা মীওই ১৪ না শাবা এগজিক্যুটিভ কম্মিটি শেমদুনা থৌ পুগদবশিংসু খনখ্রে।

কাদাগী চেরোলনা হায়, সেক্রেটরী ওর্গনাইজেসন ময়েংবম বুধিনা ময়াই ফমদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুনা য়ুনিট অসি হাংদোক–খিবগা লোয়ননা এগজিক্যুটিভ মেম্বর অমসুং থৌ পুগদবশিং অদুসু খনখিবনি। মখোয়শিং অদুদি অহৈবম মেমা প্রসিদেন্ট, চীংথাম রমনি অমদি শগোলশেম জিবনলতা অনীমক ভাইস প্রসিদেন্ট, শগোলশেম কমালা সেক্রেটরী জেনরেল, এলাংবম কুমুদিনি সেক্রেটরী ফাইনান্স, য়ুম্নাম ফজ সেক্রেটরী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি, হিজম সোরোজিনি সেক্রেটরী ওর্গনাইজেসন, হিজম ইবেচা সেক্রেটরী ৱুমেন এফিয়ার্স অমসুং হুইরেম থোইবী সেক্রেটরী ড্রাইভনি।

এগজিক্যুটিভ মেম্বর ওইনা খনখ্রবশিং অদুদি লাইতোঞ্জম মেমচা, এলাংবম শান্তি, হুইরেম য়াইমা দেবী, কাঙবম পুইনবতি অমসুং শগোলশেম ইবেচানি। মখা তানা মীফম অদুনা সরাংথেম তুনানবী অমসুং হুইরেম পেমচাবু য়ুনিট অসিগী এদভাইজর ওইনা খনখি হায়রি।

# পিছ পোষ্টর কন্টেষ্টকী মনা মথুম য়েঙ্থোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২১ (এস এন এস )ঃ লাইওন ইন্টরনেস্নেল পিছ পোষ্টর কন্টেষ্টকী মনুং চন্না জর্নি ওফ পিছ হায়বা হিরমদা লাইওন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল গ্রেটরনা শীন্দুনা ঙরাং সেক্রেট হার্ট হয়ার সেকেন্দরি স্কুল পোরোম্পাৎ ইম্ফাল ইষ্টতা পাঙথোকখিবা পিছ পোষ্টর কন্টেষ্টকী মকোক মথং তারবশিংদা মনা মথুম য়েঙ্থোকখ্রে।

কন্টেষ্ট অদুদা ক্লাস ফাইবকী মহৈরোয় দব্লিউ মালেমঙানবী চনুনা অহানবা, জেক্সন থৌদামনা অনীশুবা অদুগা কৈথেল্লাকপম মোনানা অহুমশুবা তাখ্রে। মখোয়দা এচিভমেন্ট এৱার্দ সার্টিফিকেটকা লোয়ননা মথংশিংনা লুপা ২০০০, ১৫০০ অমসুং ১০০০ মনা ওইনা পীখি। কন্টেষ্ট অদুদা শরুক য়াখিবা মহৈরোয় পুম্নমক্তসু সার্টিফিকেট ওফ এপ্রিসিয়েসন পীখি হায়রি।

লাইওন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল গ্রেটরগী প্রসিদেন্ট ডা. সুরজিৎ কোন্সম্না হায়, মহৈরোয় অমসুং নহারোলশিংদা পিছ অমসুং মখোয়গী তোমথিন ওইবা মীৎয়েং অদু ফোঙদোক্লবগী খূদোংচাবা ফংনবগীদমক কন্টেষ্ট অসি পাঙথোকপনি। সেক্রেট হার্ট হয়ার সেকেন্দরি স্কুল মেনেজমেন্ট অমসুং ষ্টাফশিংবু থাগৎপা ফোঙলদুনা রিফ্রেসমেন্ট থৌরাং তৌবিবগীদমক সেনিয়ার লাইওন কোন্সম জোয়কুমারবুসু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

# থৌবালদা আইওদিন ৱাৎপনা থোকহল্লকপশিং ঙাকথোকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

থৌবাল, ওক্টোবর ২১ (এস এন এস )ঃ নেস্নেল হেলথ মিসনগী মীৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইটি থৌবালনা শীন্দুনা মালেমগী মফম কয়াদা পাঙথোকপগুম থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনসু গ্লোবেল আইওদিন দিফিসিয়েন্সি দিসওদর প্রিভেন্সন বেদ ঙসি থৌবাল ৱাংমা তাবদা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইটিগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইটি থৌবালগী মিসন দিরেক্টরসু ওইরিবা চীফ মেদিকেল ওফিসার ডা. এন জয়েন্তকুমার, দিষ্ট্রিক্ট ফেমিলি ৱেলফেয়ার ওফিসার অমদি মেম্বর সেক্রেটরী ডা. কেএসঐচ মেমচা দেবী অমসুং দিষ্ট্রিক্ট লেপ্রোসি ওফিসার ডা. কেঐচ হোমেশ্বরনা পূন্না থৌরম মপু ওইখি।

দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইটি থৌবালগী দিষ্ট্রিক্ট প্রোগ্রাম মেনেজর সিঐচ বসন্তনা নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা হৌদোকখিবা থৌরম অদুদা ৱা ঙাংখিবশিংনা হায়, আইওদিন অসি মীওইবগী হকচাং অমসুং থোপ চাউখৎপা, মপূং মরৈ ফাহন্নবা মথৌ তৌবদা তঙাইফদবা ওইরি। আইওদিন ৱাৎলবদি খৌ পোম্বা (গোইটর)গী অনাবা ওইহল্লি অমদি মীওই অদুবু তম্থনবা, হৈনিংদবা অমসুং ৱাগনবা পোকহল্লি। অসুম্না নারবা মীশক অদু নোর্মেল ওইবা অমদগী শুবা নোম্বগী চাংসু হন্থহল্লি।

অঙাং অমসুং ইনখৎলক্লিবা নহাশিং অমদি মীরোনবীশিংগী য়াম্না মরু ওইবা পোৎচঙ অমা ওইরিবা আইওদিন ৱাৎলবদি শোয়নাইবা অঙাং পোকপা য়াই। করিগুম্বা লায়েংহৌদ্রবদি চহী য়াম্লকপগা লোয়ননা ৱাখল লৌশিং অমসুং হকচাংগী ফিভম হেন্না শোকচিনহল্লি। মরম অদুনা আইওদিন চাং নাইনা নুমিৎ খূদিংগী ৱাত্তনা ফংহনবা তঙাইফদে। ঐখোয়না আইওদিন য়াওরবা থুমদমক চানবা হোৎনগদবনি। আইওদিন ৱাৎপদগী ওইহল্লকপা লায়না খঙদোক্লবা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী অশাশিংনা মাগী মাগী লৈকাইদা সর্ভে চৎপা মতমদা মপূং ফানা মতেং পাংবিয়ু হায়নসু মীয়ামদা আপিল তৌখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা মতৌ করম্না আইওদিন টেষ্টিং কিট শীজিন্নগদগে হায়বগী মতাংদা অখঙ অহৈশিংনা মীয়ামদা তাকখি। শরুক য়াখিবা আশাশিংদা আইওদিন টেষ্টিং কিটশিংসু য়েঙ্থোকখি হায়রি।

# নম্বোলদা ঙসি মাও কৈথেল ফমগদৌরি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২১ (এস এন এস )ঃ মাও–ইম্ফাল মার্কেট কোওর্দিনেসন কম্মিটিগী মীৎয়েং মখাদা তোঙান তোঙানবা মফমদা ক্লব ওর্গনাইজেসনশিংগা খূৎশম্নদুনা চয়োল অমদা ২ রক মাও কৈথেল ফম্বগী মনুং চন্না হয়েং লৈবাকপোকপা নুমিত্তা নম্বোলদা ফম্লগনি।

কম্মিটিগী কনভেনরনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, মাও কৈথেল অসি দিভলপমেন্ট এন্দ প্রোটেক্সন, য়ুনাইটেদ ভোলুন্টরি ওর্গনাইজেসন (দপুভো) অমদি নম্বোল অপূনবা নুপী লূপকা খূৎশম্নুনা শীনবনি। লমদম অসিগী ইরৈচাশিংনা হয়েং নম্বোলদা ফমগদৌরিবা মাও কৈথেলদা লাকপিদুনা মাও মীয়াম্বু তরাম্না ওকপিয়ু লোয়ননা মাওগী এন্সাং–নাপি অমদি অতৈ পোথোক কয়া লৈবিদুনা অপূনবগী শক্তম শাগৎমিন্নবদা নত্তনা ইমোস্নেল ইন্টিগ্রিটিগা লোয়ননা ইকোনোমিক ইন্টিগ্রিটি শাগৎপদা মতেং পাংবিয়ু হায়রি।

# পল্লেল–মোরে লম্বী বন্দ কোমথোকখ্রে

মোরে, ওক্টোবর ২১ (এস এন এস )ঃ য়ুনাইটেদ ট্রাইবেল পিপলস ওর্গনাইজেসন (য়ু টি পি ও) অমসুং ওল ট্রাইবেল সেন্দ ষ্টোন লেবর এসোসিয়েসন মোরেনা ঙসি অয়ুক অঙনবদগী পল্লেল–মোরে লম্বীদা মতম কত্তনা বন্দ চত্থরম্বা অদু মণিপুর গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী থাজবা পীরকপা অমদি লৈমিন্নরিবা তোঙানবা তোঙানবা ফুরুপকী নিঙোল চাক্কৌবা য়াওনা হরাও কুম্হৈগী য়েংদুনা মতম কত্তনা কোমথোক্লে হায়না য়ু টি পি ওগী প্রসিদেন্ট থাংবোই মাতেনা লাউথোকখ্রে

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন সিংহগা উনদুনা ৱারী শানবগী মতম লাক্লিবা নভেম্বর ১০ দা পীরকপদগী ফিরেপ অসি লৌখিবনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# জিরিবাম অমসুং ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী কোমেমোরেসন দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

জিরিবাম /ককচিং, ওক্টোবর ২১ ঃ জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট অমসুং ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা শীন্দুনা পুলিস কোমেমোরেসন দেগী থৌরম জিরিবাম অমসুং ককচিংদসু পাঙথোকখ্রে।

জিরিবামদা পাঙথোকপা থৌরমদা মথৌদা কথোকখিবা পুলিস মার্টিয়র অহুমগী ফোটোদা লৈশু কত্তুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি। মখোয়শিং অদুদি জিরিবাম পুলিস ষ্টেসনগী এস আই লৈখিদ্রবা য়ুম্নাম বুধি সিংহ, রাইফলমেন লৈখিদ্রবা ঙাঙোম অমুয়াইমা সিংহ অমসুং রাইফলমেন লৈখিদ্রবা থাংজম বিরজিৎ সিংহনি। থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা থাক্তা লৈবা পুলিস ওফিসিয়েলশিং, সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনগী মেম্বরশিং, লোকেল লিদরশিং অমদি অতৈ কয়া শরুক য়াখি।

এস পি জিরিবাম মোবি মোইরাংথেম্না পুলিস পার্সোনেলশিংবু পূক্নিং থৌগৎপগা লোয়ননা লৈখিদ্রবা পার্সোনেলশিংগী ইমুং মনুংদা খুদোলপোৎ কয়াসু পীখি।

ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনসু এস পি ককচিংগী ওফিস্তা পুলিস কোমেমোরেসন দে ২০১৯ পাঙথোকখ্রে। এস পি ককচিং ভিক্টোরিয়া য়েংখোম্না লুচিংদুনা মথৌ পাঙথোকপদা লৈখিদ্রবা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী পুলিস পার্সোনেল ৪ অমসুং লৈবাক্কী ওইনা মথৌ পাঙথোকপদা লৈখিদ্রবা পার্সোনেলশিংগী মফমদা লৈশু কত্তুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি।

ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা লৈখিদ্রবা পুলিস পার্সোনেল ৪ অদুদি ময়াংলম্বম চাউবা দি এস পি, ককচিং মোইরাংথেম লৈকাই, রাইফলমেন হৈনিংশুংবম লুখোই কৈরক মমাঙ লৈকাই, কন্সটেবল নাওরেম কেশো ককচিং ময়াই লৈকাই য়াইখোম পরেং অমসুং কন্সটেবল সাপম রাজকুমার শুগু ময়ায় লৈকাইনি। লৈখিদ্রবা পুলিস পার্সোনেল ৪ অসিগী ইমুং মনুংদা দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী মায়কৈদগী অচম্বা খুদোলপোৎ পীখি।

এস পি ভিক্টোরিয়া য়েংখোম্না হায়, মথৌনা ফরবা, মরৈবাক্কীদমক থৱায় কৎখ্রবা পুলিস পার্সোনেলশিং অদুনা মীয়ামগী য়াইফনবা তৌরম্বা অমসুং লো এন্দ ওর্দর ঙাক্তু না থম্নবগীদমক অঙম্বা থাক্তা মতেং পাংলমখি। মখোয়বু নীংশিংদুনা থৌরম অসি পাঙথোকপনি হায়রদুনা পুলিসকী কথোকপা কয়া অসি মশক খঙবিরগা পুলিস ফোর্সপু মগুণ লৈবা মীয়ামগী থবক নীংথিনা তৌবা ঙম্বা ওইহনবিয়ু হায়খি।

## কুঠী য়েঙজরি / পাঞ্জিগী Course হৌজরগনি

তান্নবিয়ু য়েঙথোকপিয়ু, অঙাংগী ৱাখল লৌশিং, নারক্কদবা লায়নাশিং মশক খঙদোকপিয়ু, মতম চানা ময়ুম পালহনবিয়ু, চান্নবা নুপী–নুপা খঙদোকপিয়ু, শেল থুমগী ফিভম য়েঙথোকপিয়ু, য়ুম্বান–কৈবানবা, তোয়না খৎন–চৈনবা হন্থহনবিয়ু, য়ুম ইথ্নোলগী মরম য়েঙথোকপিয়ু, চান্নবা শিনফম খঙদোকপিয়ু, অশোয় অঙাম চুমথোকপিয়ু।


অচুম্বা কুঠী ইথোকপিয়ু, ইরমদম অসিদা ইনরিবা কুঠী অয়াম্বা চাদা ৯৯ দি অশোয়বা থেঙনরে (Time/Date/Location factor য়েংলগা কুঠী ইদবা মরম্না)।

পাঞ্জিগী শিনফমদা খোঙ থাঙজিল্লবশিংগী ওইনা Advanced Course অমসু হৌজগদৌরে। Seat মশীং অকক্লবনি। Calendar, খূৎপাই শাবিনিংবশিংগী Data সু ফংবিগনি। উন্নবা খূদিংমক হান্না পাউ ফাওনবিয়ু।

অয়ুক্কী লিক্লা অপোক্লোনবা,

Dinamani Astrological Centre,
Koirou Mamang Leikai, Near Koirou Community Hall
Thongju Part - II, Imphal East, Manipur - 795003
Mobile No. +919191733333/Email : SOFTDINA@Rediff mail.com
*SL/5440/20 (Alt 1 M)*

## ꯈꯣꯟꯅꯣꯡ / নুংশংগী ওঝাবু থাগৎচরি


*Naorem Ibomcha*



ঐগী হকচাংদা নুংশং হায়রিবা লায়না অসিনা মতম শাংনা নাদুনা লৈরকপনি। লাইওংদি মপান্দা পোম্বা, মপান অকোয়বদা থাগৎপা, চেখায়বা, ঈ তাবা চিকপা শাবা, হাক্কৎচবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা অসিনি। মফম খূদিং চৎতুনা য়েংজরুরে, ফবা কৌবা লৈত্রে। লাইবক ফবদগী হৈঙাংদা লৈবা নাওরেম ইবোমচা (*Phone No. 8014023792/6009147645*) গী হিদাক চাবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা নুংঙাইতবা অদু ঙসিদি পুকফ ফজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী সেবা মতম কুইনা তৌবিরকখো হায়না ঈশ্বরগী মফমদা খুরুমজরি।

থাগৎচরিবা – ***Maibam Kerani Meitei (60 )***
***Kongpal Chanam Leikai***
*SL/5430/19 (M)*

## ঙসিগী ৱাষি ফল (২২–১০–২০১৯)

ইবোপিশক নিংথৌজা (এৱার্দি)

*এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বাজার, ইম্ফাল*

**মেষঃ** শোক্কনবা, খৎনবা, কোক শাবা, মীৱা মীশা তাবা, শেল চৎপা মতম্নি। পামদবা থেংনরগনি। তপথবা ফগনি। অরুবদি পাঙথোক্লগনি। চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১ ফগনি, ২ ফত্তে, ৩ ফগনি।

**বৃষঃ** চঙজরকপা কনখৎলুগনু, থাজবা মীদগী হৈ শিংউ। শেল পীথোক পীশিন্দা চেকশিল্লু। পাঙথোক্লিংবদি পাঙথোক্লগনি। ইমুংদা মত খেন্নরগনি। নক্ষত্র ৩ ফগনি, ৪ ফত্তে, ৫ খরা ফগনি।

**মিথুনঃ** অয়েৎপা মরক্তা পাঙথোক্লিংবদি পাঙথোক্লগনি। লম চৎপা মী তিন্নবদি চেকশিল্লু, শেল চৎপা মতম্নি। পোৎ লৈবা য়ারগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ৫ ফগনি, ৬ ফত্তে, ৭ ফগনি।

**কর্কটঃ** হকচাং ৱাখল নুংঙাইবা, চাউখৎপা, ফগৎপা, পাঙথোক্লিংবা খরা পাঙথোকপা, লম চৎপা, মী তিন্নবদি কান্নবা ফংবা, শান্তি লৈবা মতম্নি। নক্ষত্র ৭,৮, ৯ অফবনি।

**সিংহঃ** গারী তপ্না থৌগনি। শাওদবা ফগনি। খৎনিংগনি। লম চৎপা হৈ শিংউ। মীগী মতেং পাংলুগনু। পোৎ লৈবা য়াগনি। ইমুংদা মত খেন্নরগনি। নক্ষত্র ১০ ফত্তে, ১১ ফগনি, ১২ ফত্তে।

**কন্যাঃ** অপনবা, অয়েৎপা, কোক শাবা থেংনরবসু পাঙথোক্লিংবা খরদি পাঙথোক্লগনি। থাজবা মীদগী চেকশিল্লু। পোৎ লৈবা য়াগনি। নক্ষত্র ১২ ফত্তে, ১৩ চাং অমদা লৈ, ১৪ ফগনি।

**তুলাঃ** ৱাখল লাঙবা মতম্নি। অমা নৎত্রগা অমা খনগনি। মরুপ মফমদি ফগৎলগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। অরুবদি পাঙথোক্লগনি। নক্ষত্র ১৪ ফগনি, ১৫ চাং অমদা লৈ, ১৬ ফগনি।

**বৃশ্চিকঃ** হকচাং ৱাখল ফগৎপা, পাঙথোক্লিংবা খরদি মায় পাক্না পাঙথোকপা, লম চৎপা মী তিন্নবা কান্নবা ফংবা মতম্নি। শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ১৬ ফগনি, ১৭, ১৮ হেন্না ফগনি।

**ধনুঃ** অশোক অপন খৎনবা মতম্নি। তপথবা ফগনি। শেল ফংবা চৎপা মান্নগনি। অরুবা খরদি পাঙথোক্লগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১৯ ফগনি, ২০ ফত্তে, ২১ খরা ফগনি।

**মকরঃ** মীগী মতেং পাংলুগনু, শেল পীথোক পীশিন্দা হৈ শিংউ। তোখাই তাগনগনি। শেল চৎপনা হেল্লগনি। পাঙথোক্লিংবদি পাঙথোক্লগনি। চরাঙনগনি। নক্ষত্র ২১ ফগনি, ২২ ফত্তে, ২৩ ফগনি।

**কুম্ভঃ** চাউখৎপা, ফগৎপা, পাঙথোক্লিংবা পাঙথোকপা, হকচাং ৱাখল ফগৎপা, পোৎ লৈবা য়াবা, ইমুংদা শান্তি লৈবা মতম্নি। নক্ষত্র ২৩,২৪,২৫ অফবনি।

**মীনঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, হকচাং ফগৎপা, অচৌবশিংনা নুংশিবিবা, পোৎ লৈবা য়াবা, লম চৎপা কান্নবা, ইমুংদা শান্তি লৈবা মতম্নি। নক্ষত্র ২৫,২৬,২৭ অফবনি।

